# ইন্দিয়াগী অনীশুবা মহাভারত অমদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে

'পগান ফেথ' হায়না খঙনবা লাইনীং মখল অমা লৈ, অকক্লবা লাইনীং অমগী মমিং নত্তবা। লাই অমখক্তা থাজবা থম্বা নত্তবা, মখল কয়াগী লাই নীংবা। অদুবু ঈরাৎ-পূজা তৌবদদি মরু ওইবা লাই অমা নৎত্রগা অনী খনগৎলগা ঈরাৎপা। অসিগুম্বা লাইনীং (ধর্ম্ম) শিংগী মরক্তা 'হিন্দু' নৎত্রগা 'হিন্দুইজম' হায়বসিসু অমনি। হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী ইতিহাস'তা খ্বাইদই হেন্না লীরবা 'লাইনীং-লম্বী'দু 'হিন্দুইজম' নি হায়বদু কনাগুম্বনা য়েৎনীংঙাই ওইরগসু, খ্বাইদই লীরবা 'রিলিজন'শিংগী মরক্তা হিন্দুইজমসু অমনি হায়বসিমদি য়েৎননীংঙাই ওইররোই। বেদিক লিটরেচর'গা হিন্দুইজমগা অচেৎপা মরী লৈনরগসু, ঙসি থাজনরিবা 'হিন্দু-লাইনীং-মখল'সিদি ইন্দিয়ন-হিষ্ট্রিগী 'গুপ্ত-পেরিয়দ' হায়না খঙনবা, খৃ: মমাঙ মরিশুবা চহীচাদগী তরুকশুবা এ দি ফাওবা পাল্লম্বা, মতমদুদা পাক্লশন্না শন্দোক্লকখিবা ওইবনা য়েৎনবা অসি থোক্লকপনি। অদু নৎলমদ্রবদি মালেমগী খ্বাইদই লীরবা রিলিজন 'হিন্দুইজম' নি হায়বসিদা কনানসু য়েৎলল্লোই। অমেরিকান রাইটর 'মার্ক ত্বাইন'ন হায়রম্মী ... 'ইন্দিয়া হায়বসি মীওইবা জাতিগী নাউশুমনি, ইতিহাসকী মমানি'...।

অদুগা করিগী 'হিন্দু' কৌবা রিলিজনসিনা মালেমগী খ্বাইদই চাওবা, মশীং য়াম্বা, মীয়াম্না থাজবা 'রিলিজন' অমা ওইদ্রিবনো? খ্বাইদই চাওবা রিলিজন 'খৃষ্টিয়ানিতি' হৌদোক্লম্বা 'জিসস খৃষ্ট' মশামক্লসু হিন্দুশিংগী সুপ্রিম লোর্দ-হেদ 'কৃষ্ণ' গী পুন্সি অমদি পাউজেলশিংদা থাজখিবা অমদি ঙাওজখিবই ৱারী-লাইরিক কয়াদা থেংনখি। 'খৃষ্টিয়ানিতি' অমদি 'ইসলাম' - হিন্দুইজম পোকখ্রবা মতুং চহী-চা কয়াগী মতুংদা পোক্লকখিবনি। অদুগা করিগী 'ইন্দিয়া' গী ৱাংমদা লৈবা মালেমসিগী মীয়াম্নু থাজহনবা ঙমদ্রিবা? অরুবা ৱাহং অমনি। অদুবু, পাউখুম অদু থিবদি অরুবা নত্তে - খৃষ্টিয়ানিতি অমসুং ইস্লাম ধর্ম্ম শন্দোকপগুম সমুদ্র-ঈপাক ৱাংমা লান্না হিন্দু-ধর্ম্ম শন্দোক্লবা মিসন অমত্তা লাই লল্লোনবা কাঙবু অমত্তনা হোৎনখিদে, তমথীবা নিংথৌ অমত্তনসু নম্ফু শীজিন্নদুনা প্রজাশিংগী লাইনীং হোংহনখিদে। মহা-উপনিষদ'তা ইরম্বা 'বাসুধৈব কুদুম্বকম' (মালেমসি ইমুং অমনি) হায়বা ৱাখল্লোন'দুদা থাজরকই পুন্নমক্লা। মীওক-মীচান ফবদা হায়রল্লিবনি... 'অতিথি দেবো ভব' (য়ূমদা থুংলবা মীথুংদি ইশ্বরমক্লা পাংখক্লি)। মদুমক্লা ওইখিবনি লমদমসি চহী চা কয়াদগী মীতোপশিংনা পানবা লম। করি অমুক হায়গনি- মীনায়না নিংথৌ ওইদুনা 'মীনায়শিংগী নিংথৌ শাগৈ (স্লেভ-দাইনেষ্টি) হায়দুনা ইতিহাসকী লমায়শিংদা লাচন্দুনা থল্লিবা লমদমনি 'ইন্দিয়া'। 'য়ূমদাংবনা কৈ-নাইবা' হায়বা ৱা হায়ফাওবা শেমদুনা পাউরৌ ওইনা থল্লিবনি। ঙসিদি হিন্দুগী লৈবাক হিন্দুস্থানসিদা হিন্দুনা তোন্থনা লৈবা হৈনরবনি। অপূনবা ইন্দিয়া অমা ওইনা লৈরম্বদগী 'হিন্দুস্থান' 'পাকিস্থান' হায়দুনা হিন্দুশিংগী লৈবাক অমগা মুসলমানশিংগী লৈবাক অমগা, লৈবাক অনী শেল্লকখি। পাকিস্থান'দা চৎনীংদবা ইন্দিয়াদা লৈনীংবা মুসলমানশিংদি লৈহৌবা য়াগনি- জাতিগী মপা ইবুংঙো'না লাউথোক্লবদুনা পাকিস্থান'দা লৈখিবা মুসলমান মশীংদুগুম্বা অমা ইন্দিয়াদা লৈহৌখি। 'পাকিস্থান' না মুসলিম লৈবাক ওইখ্রবসু 'হিন্দুস্থান' দি হিন্দুগী স্থান ওইখিদে।

অসুম্না, হৌখিবা চহী চা কয়াগী ইতিহাস নৈনরুরগা খঙগনি - লমদমসিগী মীয়াম্না ইতিহাসতগী পাড়া অমত্তা তমহৌদে। হৌখিবা ইতিহাস পাররুগা তুংদা ওইরক্কদবা লৈবাক অমগী শক্তম অমা চাওরাক্লা লাকশিনবা ঙম্বগুম - ইন্দিয়াগী মচেৎ অমা শেত্তোল্লগা 'ইস্লামিক-স্টেট' অমা শেমখিবা- ওইথোক্তবা অমা ওইরক্তবসু য়াই। চহী লিশীং অমরোমগী মমাঙগী থৌদোক অমা নীংশিংলুসি। মোহম্মদ ঘজনি, ঘজনবি হায়নসু খঙনবা সুলটান অদুনা ইন্দিয়াদা লান্দারক্তুনা জয়পাল নিংথৌবু মায়থীবা পীরম', খুদুম চল্লগা 'সোমনাথ' লাইশঙদা লান্দাখিবা মতমদুদা লাইনীংবা (পুরোহিট) ১২০০ রোম ধ্যান তৌদুনা, পূক্লিং হীরি কোন্দুনা, মপুগী মিংখে শোন্দুনা লৈরম্মী। মীনুংশি খঙদবা, তমথীরবা সুলতান অদুনা সোমনাথকী লাইশঙ তম্না লাক্লে হায়বা মখোয় খঙখি। খনখি - 'মন্দিরদুবু ঙাক-শেনবা ক্ষত্রিয়শিংগী মথৌনি, মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লাইশঙদু ঙাক-শেনগনি।' খূৎলায় পায়বা ক্ষত্রিয়, অমত্তসু লাকখিদে। ঈশ্বরবু থৌগল তৌরিঙৈ, অল্লাহবু থাজবা কাঙবুদুনা মখোয়দা খূৎ থারক্লোই... খল্লম্বা য়াই পূক্লিংদুদা।

থাজবদুনা মরম ওইরগনি - লাইশঙদুদা অমদি অকোয়বদা লৈরম্বা হিন্দু পুরোহিৎ অমদি শোমনাথ'পু থাজজবা থবায় লিশীং কয়াগী হকচাংদই মকোক কেনখিবা, চঙনা স্বর্গ কাখিবা। মুর্ত্তি কয়া থুগায়খি, মনি-মুক্তা-সনা-লুপা, মমল য়াম্লবা পোৎ-চৈ কয়া খোমদুনা পুখি লাইশঙদুদগী। ময়ূমদা চাবা ফংদ্র'সু মমল য়াম্লবা পোৎ-চৈ থাজবা লাইদা কৎপদা পান্মুবা খঙদবা হিন্দুনি। খঙলদুনা সুলতান ঘজনি'না মথুরাগী লাইশঙদইসু অরৈবমখে খোমগৎখি। চহী লিশীংগী তুংসিদসু - লাইদা ভক্তি তৌবনা মীফত্তশিংগী পুকচেল হোংহনবা ঙমদে হায়বসি কনানসু খঙদরি। মোমোন্নবা মীনোক অমগা মতম চূপ্পদা ঈরোইনবা, অশাউবা-অকিবা-অপান্থা পুন্নমকপু লাকশিন'ঙম্বা শ্রীরাম-মশাদা তেন অমদি লীরুং মতম-চূপ্প' লোয়নখিবা করিগী? মহাক্কী হৈ-শিংলবা ৰাঙাঙ অমদি খোয়থুম্নবা খেঞ্জেলনা রাবনগী ৰাখল হোংহন্নবা হোৎনখিদবা করিগী? মী-লাই-হিংচাবা-তাইবঙপানসিগী শোয়ফদ্রবা লৈতেংনি, পূন্না লৈমিন্নগদবনি, ইমুং অমত্তদা হিংলিবনি হায়খিদবা করিগী? থোক্ত য়াদ্র-লাঞ্জাও অদু ৰাখৈনবা পাম্বে, মশাগা মতম-চূপ্পা লোয়নখিবা-লীরুং তেন'না ওইখিবনি।

জগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণ'সু অদু মঙায়। মহাক্কী হৈশিংবনা দুর্যোধনগী মপুক ওলহনবা ঙমখিদে। মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা কংশ'বুসু হাৎপা তাখি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদুদই হেন্না চাউবা লাঞ্জাওনি হায়নরিবা 'কুরুক্ষেত্র-লান', লানদুগী সুপর-হিরো 'অর্জুন' মক্লা, লান হৌবা নুমিত্তা লান থেংনৌ য়াদ্রবা, খূৎলায় পায়য়ু য়াদ্রবদু, 'লান হায়বসি তঙাইফদবনি, অচুম্বইদমক লান শোক্লগদবনি' হায়দুনা ইনশিনখিবদু শ্রীকৃষ্ণ মশামক্লি। অদুগা মহাক্কীসু নীংলকপা মতমদা মনাক্তা কৌবা ঙম্বা, শক্তি লৈরবা 'সুদর্শন-চক্র' লৈ। তঙাইফদবা মতম লাকপদা শীজিন্নখি মহাকসু।

হৌখিবা চহী লিশীং অমা অনীসিগী মনুংদা লৈবাকসিদা খঙল-হৈরবা, অচৌবা মুনি/মহাঋষি কয়া পোকখরে। পাউজেল কয়া পীরম্লে। গোরখনাথ'তগী হৌরগা মহবীর, কবির, নানক অমদি গুরু গোবিন্দ সিংহ ফাওবদা মশীং থিঙমদ্রবা মহাপুরুষ কয়ানি। অদুবু, মখোয় কনা'মত্তনসু মুগল অমদি বৃটিশ রুল্লরশিং লমদমসিদা চঙলক্তুনা লৈবাকসিবু মথক মখা ওনখিবা, হিন্দু লাইশঙ থুগায়দুনা মফমদুমক্তদা মসজিদ কয়া শাজিনখিবা মঙক্তা থাঙশাং থমদুনা লাইনীং লম্বী হোংহনখিবা - কনানসু থিংবা ঙমখিদে।

তরামঙাশুবা চহী চাদা লীংখৎখিবা অনৌবা লাইনীং লম্বী (সিখিজম) ইস্লাম অমসুং হিন্দুইজম অনীগী তোৎশিন্নবা মথেল অমনি। মুগল নিংথৌরেলনা লৈবাক ঙাক্লিঙৈ সিখশিংগী অহানবা গুরু 'গুরু নানক'না শেমখিবা লাইনীং লম্বী অমনি। মান্নদবা লাইনীং লম্বীদা চৎপশিংবুসু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলম্বা 'অকবর' গী লৈঙাক মতমদদি সিখশিংগা নক্লবা মরী লৈনরম্মী, চান্ন-চিন্ন' লৈমিন্নরম্মী। অদুবু, মঙাশুবা গুরু 'অর্জুন দেব' গী মতমদা, অকবরগী মচা 'জহাঙ্গির' গী লৈঙাক লাকপদগী মরী অদু ফৎচিল্লকখিদে। 'অর্জুন দেব' কৌখক্তুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা তুং, হাৎননবা ৱারেপ লৌখি। হাত্তোকখি। থৌদোক্তুনা সিখশিংগী ইতিহাস'তা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহনখি। অর্জুন দেব'গী মচানুপা 'গুরু হরগোবিন্দ'গী মতমদদি মীচম-মীয়াম্নু ঙাক শেন্নবা লান্মী শেমগৎনবা থৌরাং পায়খৎলক্লে। মখোয়দুবু 'সন্ত-সিপাহি' (লাইনীংবালান্মী) মিংথোল্লক্লে। সিখ খুদিংমক্কী মখূত্তা থাঙশাং, তঙায়ফদা অমা ওইহনবগী ৱাখল লাক্লে।

সিখশিংগী অনৌবা মরমচৎ/চৎনবী অসিনা খোয়শাওনহল্লবা মুগল নিংথৌরেলশিং, ঔরঙ্গজেব'কী মতমদদি কাঙলূপ অনীসিগী মরক্তা লৈনরম্বা চিংখায়নবা মরীদু হেন্না ফৎচিল্লকখিদে। সিখশিংগী মাপনশুবা গুরু 'গুরু তেগ বহাদুর'বু ঔরঙ্গজেব'না হাৎখিবদগী, সিখশিংনা মশাবু ঙাক-শেনজনবগীদমক 'খলশা' হায়বা কাঙলূপ অমা লিংখত্তুনা মিলিটরাইজ তৌরকখি। সিখশিংগী অরোইবা অমসুং তরাশুবা গুরু, 'গুরু গোবিন্দ সিংহ' গী মতমদদি, মখোয়গী 'কির্পন' (থাঙশাং) সিখ খুদিংমক্লা তঙাইফদনা মশাদা লোয়নদবা য়াদ্রবা খূৎলায় অমনি- লাউথোকখি (১৬৯৯)। কির্পন পায়বগী অশেংবা পান্দম - মুসলিমশিংদগী মশাগী পুন্সি কঞ্জনবনি। সিখ নুপা অমনা লুহোংবদা 'কির্পন' পায়দবা য়াদ্রবা 'মচল' অমনি। হৌজিক্তি থাঙশাংশিংগী মহুৎ, ছুরিগুম্বা, অতেনবা থাঙসু পায়নরে। থাঙ অসি পায়খিবগী মরু ওইবা মরম - মথক্তা পঞ্জখ্রিবসি, য়ারিবমখৈ মীয়ামদা লোৎশিন্নবা হোৎনরগা, অনৌবা মতমগী স্কোলারশিংনা হায়গনি... 'সিখশিংনা কির্পন পায়বসি মখোয়গী কলচরগী থানবা য়াদ্রবা ত্রেদিসননি।'

মাঙ-তারুবই মশক ওইরবা 'মহাভারত' লাঞ্জাও থোকখিবদু থোক্তনবা, ৱাতাইনবা পান্দবকী মীহুৎ ওইনা চৎখিবা শ্রীকৃষ্ণনা দুর্যোধনদগী খুঙ্গং মচা মঙাখক নিখি। দুর্যোধন'না পীয়ু য়াখিদে। অতোপ্পা, 'মোর্দন-মহাভারত' অমা থোক্লকপদগী কন্নবা, লৈবাকসিদা তঙাইফদনা শেমদবা য়াদবা লো মঙাখক লৈ ... (১) লৈবাক শিন্না, মফম পুন্নমক্তা চপ মান্নবা এদ্যুকেসন ফংহনবা; (২) য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা - লৈবাকসিদা লৈমিন্নরিবা মী (নাগরিক) পুন্নমক ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদনা চপ মান্নবা লো অমনা পুনশিনবা; (৩) ধর্ম্ম অমদগী অমদা ওনবা কন্ট্রোল তৌবা নৎত্রগা লেপহন্নবা আইন শেম্বা; (৪) মীরৈবাক মচাশিং ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা লৈবাকসিদা চঙশিল্লকপা থিংবা অমদি (৫) চাং কায়না মীশিং হেনগৎলক্লিবসি করিদা/কদায়দা শোয়বদগীনো থিদোক্তুনা কন্ট্রোল তৌবা। —***ইন্দ্রকুমার***

## ষ্টেটকী পাউ

# অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : এস টি দি সী এম...

*লামায় ১গী মখা...* এস টি দি সী এমকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা এস টি দি সী এমগী খোঙজং অসিদা ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিল য়াওনা সলাই কনবা লূপ অমসুং কংলৈ কনবা লূপনা মপুঙ ফানা শৌগৎখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা খুম্হোকহানবী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস টি দি সী এমগী কনভিনর লাইশ্রম রোমেসনা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী ৱাফম অসি ষ্টেট কেবিনেটতা খন্নরে। মখা তানা করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নরি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু তরাম্না ওকই। অদুবু ঙসি ফাওবদা হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা সেন্টরদা রিকম্মেন্দেসন থাবা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা এস টি দি সী এমগী খোঙজং অসিবু থৌওইদ্রবরা হায়না কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা য়েলহৌ ফুরুপ অসিবু কঞ্জবা পান্বা নহা কয়ানা ৱাহং হংনরক্লি। ইন্দিয়া দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইবনা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা এস টি দি সী এমনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু নহাশিংনদি অকনবা খোঙজং চঙশিনবা পাম্লে। য়ৈখায় থিনগায়বগী থৌদোক থোক্ত্রবদি মীয়ামগী ৱাকৎ অমত্তা লৈঙাক্লা তাদবগী ফিভম অমদা লাক্লিবসি লাইবক থিবনি। মরম অদুনা থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদগী নহাশিংনা পাল্লিবা খোঙজং অদু চঙশিনবদা অহলশিংনা অয়াবা পীখ্রে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ মৈতৈ/মীতৈ ঙসিদি য়াম্না তোনবা থাক্তা লৈরে। মশাগী লম ফাওবা কঞ্জবা ঙদবগী ফিভমদা লাক্লে। লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইনা হৌমিন্নরক্লিবশিংগী ওইনদি মখোয় মশাগী লম কঞ্জনবা লৈঙাক্লা রাইট পীরি। মসিদা নীঙাই কনবা অঙাংদা ঙামোক হেন্না পীজবগী থৌওংনি। নীংঙাই কন্দবা অঙাংবুনা হন্না য়েংলক্ত্রবদি নীঙাই কনবা অঙাং অদুদগী নীঙাই তৌদনা লাক্লিবা অঙাং অদুনা নীঙাই হেন্না কল্লকপা য়াই হায়বসি লৈঙাক্লা নীংশিংগদবনি।

এস টি দি সী এম অসি তোঙান তোঙানবা লূপ ২৫ না পুনশিন্দুনা শেমখিবনি। অদুবু ঙসিদি এস টি দি সী এমনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অমদি তৌরিবা দিমান্দ অসি মরম চাই হায়দুনা ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিল, কংলৈ কনবা লূপ অমদি সলাই কনবা লূপনা মপুঙ ফানা শৌগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মীয়াম্না এস টি লিষ্টতা চলহনবগী খোঙজং অসিদা অয়াবা পীরি হায়বদু ময়েক শেংলে অমদি এস টি দি সী এমগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎপগা লোয়ননা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, থা অসিগী ১৩ দা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা খুম্হোকহানবী শঙলেন্দা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী মীফম অমা হিরম অসিগী মতাংদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা মীফম অসিদা য়েলহৌ ফুরুপ মৈতৈ/মীতৈবু কন্দবা য়াদে হায়না খনবা ফুরুপ অসিবু নুংশিবা মীওই খুদিংমক্লা শরুক য়াবিয়ু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মীয়ামগী ঈহুল খঙনা অথুবা মতমদা সেন্টরদা রিকম্মেন্দেসন থাদুনা অমদি এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা ফুরুপ অসিবু কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট উরিকখিনবম জিল্লাঙম্বা, কংলৈপাক কনবা লূপকী এদভাইজর জিল্লাঙম্বা খোমদ্রাম অমসুং সলাই কনবা লূপকী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি খাকপা খুমনসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা এস টি দি সী এমনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা চথরকপা ৱাকৎ খোঙজংশিংগী মখা তারকপদা ঙসিসু ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায় অমসুং খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়নচিংবা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা য়াওহন্নবা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বগী দিমান্দদা ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখি।

ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা, কংলৈপাক, লাইঙৌবী খুন অপূনবা লূপ, য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায় নুপী লূপ অমসুং সোরোক হাইদবী এন্দ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, খুন্দ্রাকপমগী লুচিংবা অমসুং থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

## রসিদ মীশিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস): থৌবাল ময়ায় কৈলথেলদগী লৈখিদ্রবা এম দি রসিদ অহম্মদ এলিয়জ সনায়াই (৩৭) কী মীশিদা চেন্নবশিং ফাবীদুনা লোগী মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না ঙসি ময়ায় কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মচে হজিরানা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্লিং চিংশিনখ্রে। মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা সী এস ওশিংনসু শৌগৎপীয়ু হায়না মহাক্লা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মীহাৎপা চৈরাক পীয়ু অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়দুনা ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

## সরেন্দর তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস): এন এস সী এন (য়ু) গী কাদর অমা ঙরাং উখুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমসাইদা এ আরগী সোমসাই বট্টালিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা হোম কম্মিং সেরেমোনিদা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ৪ অমসুং য়ুনিফোর্ম অমগা কোন্ননা চঙজরক্লে হায়রি।

## কানি কেজি ৭.৬ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস): ঙসি চুড়াচান্দপুর পুলিসনা অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা শঙাইকোটকী য়ু পি সী ভেঙদা লৈবা মীওই অমদগী কানি কিলোগ্রাম ৭.৬ ফারে হায়রি। কানিশিং অসি বোলেরো অমদা হাপ্লগা পুরকখিবনি হায়রি।

# ইচাসু য়ুদা লৈখিদ্রে, ইমৌনা লুখ্রা ওইহৌরে...

*লামায় ১গী মখা...* য়ু লিগেলাইজেসন তৌনবা ৱারেপ লৌখিবদা ঙরাং নহান জিরিবাম অমদি বিষ্ণুপুরদা য়ুঙাং ত্রক ২ ফাগৎখিবগী পাউ লৈরে। মসিনা তাকপদি লমদম অসি য়ুদা ঈচাও থোক্কদৌরে হায়বনি হায়না ফোঙদোকখি।

**খুরাই কোংপাল :** ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা খুরাই কোংপাল লাই হিদেনদনা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

**মৈত্রম :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা মৈত্রম মখা লৈকায়দা মৈত্রম মখা লৈকায় চাওখৎ থৌরাং নুপী লূপ অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

**তাঙ্খুম :** ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা ইমা কালিকা শঙলেন, তাঙ্খুম অৱাং লৈকায়দসু অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) অমসুং তাঙ্খুম অৱাং লৈকায় অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা খূৎশম্নদুনা য়ু লিগেলাইজেসনগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

**ৱাংজিং কৈথেল :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কৈথেলদসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ৱাংজিং কৈথেল ফন্বী ইমাশিং অমসুং কাদাগা খূৎশম্নদুনা অপূনবা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম ফমখি।

প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবী কৈথেল ফন্বী ইমা অমনা ফোঙদোকখিবদা ইচা ইশু ময়াম অমা য়ুদা লাইচুদুনা লৈখিদ্রে, ইমৌসু লুখ্রা ওইহৌরে। ঐখোয়বু কনানা য়োকপী থাকপীগদৌরি, ঐখোয়বু ওল্ড এজ হোমদা লোইনা লৈরো হায়ব্রা হংখি। লুখ্রাবী ময়াম্না ৱাই চাইরে অমসুং লুখ্রাবী ময়াম ওক্তবী তাগদৌরে। মসি ঐখোয় ময়ামগী মাঙজবা নত্তব্রা হায়বা ৱাহং লৈঙাক্তা হংলদুনা য়ু য়োনবা অমসুং শুংবগী অয়াবা শুংয়া য়ারোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# লাইগী থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনরুবদা...

*লামায় ১গী মখা...*পাঙথোক্লবা থৌরাংলুবদা খুরাই অহোঙপুংগী লম খোপচিন্দুনা অকোয়বদা খুন দারিবা টেলিশিংনা অয়েৎ অপন পীরক্তুনা খৎন-চৈনবা হৌরকপদগী লাইগী থৌরম মখা চথখিদ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি মাইচৌ নীংশিং লূপ (খুরাই) গী সেক্রেটরি অহন্থেম ইরাবোত মীতৈগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, খুরাই অহোঙপুং অহোঙ্গৈদা লৈরিবা লাইফম অসি হিষ্টরিকেল এনসিএন্ট মোন্যুমেন্ট অমসুং রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬কী মনুংদা সেপ্টেম্বর ৭, ২০০০দা চনখ্রবনি। গেজেটকী মতুংইন্না মফম অসিগী পাক চাউবসি একর ০.১০ (স্কৱার ফীট ৪৩৫০) নি। অনৌবা সর্ভেগী মতুংইন্না লাইফমগী লম শুপ্পতগী .০০৮২ হেক্টর (স্কৱার ফিট ৪৩৫) খক্তমক খুরাই অহোঙপুংগী মীংদা লৈরি হায়রি।

কুমজা ১৯২৪দা লাক্তুনা মফমসিদা খুন্দাখিবা বিহারি টেলিশিংনা লৈশেমলকঙৈ-খুনশেমলকঙৈ নীংশিংবা মতমদগী লৈরক্লবা শেংলবা খুরাই অহোঙপুংগী লৈজরিবা লম নমদুনা খোপচিন্দুনা থম্বা, খুরাই অহোঙপুংগী মীংদা লৈবা লমদা লাইথৌ থৌরম পাঙথোক্লমদাইদা অকি অখং পীবা, য়েক্লবগী মীৎয়েং য়েংবা, অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবা কয়া অসি কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লবা শিনবনি। বিহারি টেলিশিংনা সেক্যুলরিজমগী ৱাহম্থোক খঙদবগী ময়েক লারবা খুদমনি। মরম অসিনা খুরাই অহোঙপুংগী লাইফম লমগী চয়েৎনরিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা লমগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ/লন্নাই লূপশিং অমদি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। ঐখোয় কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টরনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা থৌরম অসি মহৌশাগুম্না পাঙথোক্তুনা মচিন মনাও ওইবা, ঈং-তপ্পা অমসুং অমত্তা ওইবগী লিপুন হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু হায়রি।

থৌরম অসিমক্লা তোঙান তোঙানবা এথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবসু হেনগৎহল্লি হায়বগা লোয়ননা ঐখোয় পুন্নমক খূৎশম্নদুনা মণিপুরবু অনৌবা চাওখৎপগী লম্বীদা পুখৎমিন্নরসি ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা টেক্সটাইলস, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমদি মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# হুইদ্রোম বিক্রমজিৎকী অপুনবা লন থুমগী শেনফম...

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ৪০,০০০ লৈখি। মরিশুবদা ইন্দসইন্দ বেঙ্কগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২,৫৮,০৩৩ লৈখি। মঙাশুবদা ইন্দসইন্দ বেঙ্কগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৬৬,০৫২ লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২,৫৪,২৭৪ লৈখি।

মহাক্কী মীংদা তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট লিমিটেদতা স্যের তৌখিবা, ম্যুচুএল ফন্দ, অভিভা লাইফ ইন্সুরেন্স, এস বি আই ম্যুচুএল ফন্দ, য়ু টি আই ম্যুচুএল ফন্দ, লাইফ ইন্সুরেন্সনচিংবশিংদা ইনভেষ্ট তৌখিবসি পুন্না লুপা ১,৮২,৫৯,৩৩৭ ওইখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট লিমিটেদতা স্যের তৌখিবা, এস বি আই ম্যুচুএল ফন্দ, য়ু টি আই ম্যুচুএল ফন্দ, টাটা ম্যুচুএল ফন্দ অমদি অদিত্যা বিরলা কেপিটেলনচিংবশিংদা ইনভেষ্ট তৌখিবসি পুন্না লুপা ৪৩,৩০,৮৪০ ওইখি। লোয়ননা মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০০৪দা চাওরাক্লা লুপা ৩,৪২,০০০ লোম ওইগদবা টাটা ট্রক অনী লৈখি। লোয়নবীগী মীংদনা কুমজা ২০২১দা চাওরাক্লা লুপা ১৩,৬৫,০০০ লোম ওইগদবা মহিন্দ্র থার অমদি কুমজা ২০১০দা চাওরাক্লা লুপা ৭,৬৫,০০০ লোম ওইগদবা টাটা ৪০৭ অমা লৈখি। মহাক্কী মীংদা লমলোংদা একর ২.৩২০০ অমদি একর ১.২৫০০ অমসুং য়ুরেম্বমদা একর ০.০২০০ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দ লৈ। লম্ফেলদা স্কৱার ফিট ৮৭০৮; লাংজিংদা স্কৱার ফিট ১০৪৫৪ অমদি স্কৱার ফিট ৩০৪৯২ লোম পাকচাওবা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ লৈ। মহাক্কী মীংদা কম্মর্সিএল বিল্ডিংদি লৈতে। মহাক্কী মীংদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংদা ৱাংখৈ নোংপোকতা স্কৱার ফিট ৮৭১৬ অমদি স্কৱার ফিট ১৯৬০; লাংজিংদা স্কৱার ফিট ৪৯৬৫৮ অমদি স্কৱার ফিট ২৮৩১৪ লোম পাকচাওবা লম লৈ।

মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদসু লাংজিংদা একর ০.০৪০০; হৌরং সাবলদা একর ০.৬৪০০ অমদি থাংজিং খুলেনদা একর ১.২৫০০ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দ লৈ। লোয়ননা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা লাংজিং অচৌবদা স্কৱার ফিট ৩০৪৯ অমদি স্কৱার ফিট ৫২২৭ লোম পাকচাওবা লম লৈ। কর্ম্মসিএল বিল্ডিংদনা খ্বাই বাজারদা স্কৱার ফিট ১০৮৭ লোম চাওবা লমদা বিল্ডিং অমা লৈ। লোয়ননা রেসিদেন্সিএল লেন্দদা লাংজিংদা স্কৱার ফিট ৫৮৩৭০; স্কৱার ফিট ৬৫৩৪০; স্কৱার ফিট ৮৬৬৮৪; স্কৱার ফিট ৪৭৯১৬; স্কৱার ফিট ৩৩১০৬; স্কৱার ফিট ৫৫৭৫৭; স্কৱার ফিট ৩৬৫৯০; স্কৱার ফিট ৩০৪৯২ অমদি স্কৱার ফিট ১৭৪২৪ লোম পাকচাওবা লমশিং লৈ।

মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ২,৯১,৫০০ লোম ওইগদবা সনা টোলা ৫ লৈ। লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্লা লপা ৪,৫৬,৯০০ লোম ওইগদবা সনা টোলা ৭ লৈ। মহাক্কী মীংদা ০.৩২ বোর পিষ্টোল; ৭.৬২ এম এম পিষ্টোল অমদি ০.১২ দি বি বি এল অমসু লৈ। হুইদ্রোম বিক্রমজিৎকী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ১,৯৮,৯৬,৮৩২ লোম ওইখি। অদুগা লোয়নবীগীনা অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৭৪,০৯,৬৪৯ লোম ওইখি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৪,৩৮,৮০,০০০ ওইখি। লোয়নবীগীনা লুপা ৪,২০,৬৪,০০০ ওইখি। মহাক্কী লোয়নবীগী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজ অসিনা লুপা ১৭,২১,৯১৩ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৩৫,১২,৪৯০ ওইখি। লোয়নবীগীসু চহী অসিমক্কী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ২৮,৩৫,৩৯০ ওইখি হায়রি।



HL-B/7838/20/9-4/10

# নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ঈং-তপ্পা লৈহল্লবা...

*লামায় ১গী মখা...* শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা মমাঙগী কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ১দা থোকখিবা ওর্দর অমদনা মণিপুরগী অপূনবা শরুকশিংগী মনুংদগী এক্ট অসিবু চৎহল্লক্লিবা মফমশিংদা মখা তানা শাংদোকহনখিবনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙসি গুৱাহাটিদা বি জে পিগী নৌনা শাবা ওফিস শঙ্গাবগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা অসিমক নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অফস্পা শাংদোকহল্লবা মতুংদগী ইহান হানবা খোঙচৎনি।

থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী ওফিস অসি নূঙ অমসুং চেকনা শাবা ইচম চম্বা য়ূম অমা নত্তে, মসিদি পার্টিগী ওইবা লায়শঙ অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী ৱার্কর অমদদি পার্টি অসিগী ওফিস অসি বিল্ডিং অমা খক ওইদে। ওফিস অসিদা তোঙান তোঙানবা পূক্লিং ৱাখলশিং থোকফম ওইবগা লোয়ননা অসাম অমসুং অতোপ্পা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী পোরম য়াৎফম ওইগদবনি হায়খি।

অসাম য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট খরদা বি জে পিনা থংন-থংননা লৈঙাক পায়রকপনা রিজন অসিদা হীরম কয়াদা চাওখৎহনবা ঙল্লে হায়খি।

মহাক্কী বিদ্যার্থি পরিষদকী মতমদা অসামদা বি জে পি খক্তগী লৈঙাক অমা লৈরক্কনি হায়বসি কৈদৌনুংদা থাজরুদে অদুবু ঙসিদি অসামদা বি জে পিনা থংন-থংননা লৈঙাক পায়রকপনা ষ্টেট অসিবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহনবা ঙল্লে হায়খি। ঙসি মহাক্লা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা লাক্লিবসি হোম মিনিষ্টর অমা ওইনা লাকপা নত্তে, বি জে পিগী ৱার্কর অমা ওইনা লাকপনি হায়খি।

তেল্লবা কুমজা ২০১৪দগীনা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমসুং অসামনা চাওখৎপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

মসিমক মহাক মশাগুম্বা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমসুং অসামদা অমগা অমগা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবা ঙম্বদগীনি হায়খি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা অসামবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহনবা ঙল্লোইদ্রা হায়না নুংনাংবা পোকপনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইহনগনি। মসিগী মরমদি কোংগ্রেসননি হায়নসু মহাক্লা মরাল শীরদুনা কোংগ্রেসনা ঈং-তপ্পা অসামবু মচেৎ তানবা হোৎনৈ হায়খি।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ পিপলস এলাইএন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক্লা অসামবু মচেৎ তানবা, টেররিজম থোরক্লবা অমসুং ঈহৌ কয়া লাক্লবা হোৎনৈ হায়নসু মরাল শীখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংবু ম্যেন ষ্ট্রিমদা পুরক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনৈ হায়বসি বি জে পিগী লুচিংবশিং ওইরিবা মহাক মশামক য়াওনা নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা থাখায় খুদিংগী নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা চৎলিবা অসিনা মতিক চারবা খুদমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।